# বৈজিং ৱিন্টর ওলিম্পিক্তা ইন্দিয়ানা বোয়কোট তৌবা

- লৈশাংথেম অজিৎ -

জপানগী পার্লিয়ামেন্টনা ফেব্রুৱারী ১, লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ৱারেপ অমা লৌখি মদুদি মখোয়না বৈজিং সহরদা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ৱিন্টর ওলিম্পিক গেমস অদুদা শরুক য়ারোই মরমদি চাইনানা হোঙ কোঙবু মনীংতম্না লৈহন্দবা, চাইনাদা লৈবা মুসলিমগী কাঙলূপ উইঘুর (Uighur) বু হন্থবা মীৎয়েংদা য়েংবা অমদি তাথী তাওইনা তৌবিবা থৌদোকশিং কয়ামুক লৈরি। অদুবু হন্দক্তা বৈজিংদা পাঙথোকখিবা ৱিন্টর ওলিম্পিক গেমস অদুদদি জপান লৈঙাক অমসুং জপান ওলিম্পিক এসোসিএসন অনী অসি খূৎশম্ন দুনা ওলিম্পিক্কী চার্টরবু ইকায়খুম্ননা ওলিম্পিক অদুদা অশোয় অঙাম য়াওদনা শরুক য়াখি। মসিগী মমাঙদা জপান লৈঙাক্তি চাইনাগী লৈঙাক অসি পামদবনা মরম ওইদুনা ওলিম্পিক অসি বোইকোট তৌনবগী থৌরাং লোইরম্লবনি। অদুবু চাইনাগী প্রসিদেন্ট ঝি জিনপিঙনা ফেব্রুৱারী ১দা ওলিম্পিক গেমস অদু হৌদোকপগী থৌরমদা মহাকপু ইকায়খুম্নবা উৎপা অমসুং ওলিম্পিক্কী ৱাশক লৌবনচিংবা থৌরমশিং পাঙথোকখি।

কোভিদ-১৯গী লায়না শন্দোরকপা, লৈবাক অমগা লৈবাক অমগা দিপ্লোমেটিক বোইকোট তৌনবা হায়বদি মখোয় মশেল য়ান্নদবা লৈবাকশিংনা শরুক য়াখিদবা অদুগা চাইনা লৈবাক্তা হ্যুমেন রাইটস, মীওইবগী হকপু খোঙ্গাওনবা, ওৎ-নৈবগী থৌওং কয়ামুক চথুরকপা অসিনা মরম ওইরগা লৈবাক কয়ামরুম্না ওলিম্পিক অসিদা শরুক য়াখিদে। ইনি দয়াগী ওইনদি অহানবদা গেমস অসিবু বোইকোট তৌবা লৈবাকশিংগী মরক্তা য়াওরমদে। নবেম্বর থাদা গেমস অসিদা রুসিয়া, চাইনা অমসুং ইন্দিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টরশিংগী মীটিং তৌরবা মতুংদা গেমস অসিদা শরুক য়াগনি হায়না ৱারেপ্লখি। অদুবু মথং চহীগী ফেব্রুৱারী ৩দা ইন্দিয়াগী ৱারেপ অদু ওন্ন-তৈনখি। মরম অদুনা ইন্দিয়াগী ওফিসল, শান্নরোয়, কোচ অমদি মেনেজরনচিংবা বৈজিং ওলিম্পিক অসিদা থারোই হায়না ইন্দিয়া লৈঙাক্না লেপখি। তৌইগুম্বসুং লন্নাই ওইনা হায়বদি 'কনাগুম্বা এঠলিট অমনা মশামক্কী (Individual) ওইনা শরুক য়ানীংলবদি ইন্দিয়া লৈঙাক্না অথিংবা থমখিদে, শরুক য়াবা য়াহনখি। ওলিম্পিক




গেমস অদু হৌদোকপগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা লৈবাকশিংগী লুচিংবশিংদি রুসিয়াগী প্রসিদেন্ট ভ্লাদিমির পুতিন, ইজিপ্টকী প্রসিদেন্ট Abdel Fattah Saeed Hussein Khalil el-Sisi, সিঙ্গাপোরগী প্রসিদেন্ট হালিদুমা য়াকোব অমসুং পাকিস্থানগী প্রাইম মিনিষ্টর, পাকিস্থানগী ক্রিকেট কেপ্তেন ওইরম্বা (লৈবাক অদুগী অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিবা) ইম্রান খাননচিংবনি। থৌরম অদুদা বোইকোট তৌগনি অদুবু শান্নরোয়শিংদি শরুক য়াহনগনি হায়খিবা লৈবাকশিংদি য়ু এস এ, য়ুনাইটেদ কিংদম, জপান অমসুং কনাদানি।

কুমজা ২০২০গী জুন ২১দা গালৱান ভেল্লিদা ইন্দিয়াগী সিফাইগা চাইনাগী সিফাইগা খূৎ থোক্লবদা শরুক য়াখিবা চাইনাগী পি এল এ সিফাই অদু ওলিম্পিক্কী মৈরা পুদুনা চেনবগী টিমদা শরুক য়াহল্লি হায়দুনা ইন্দিয়ানা ওলিম্পিক হৌদোকপগী থৌরম অদুদা শরুক য়ানবা ওফিসল অমত্তা থাখিদে। মতৌ অসুম্না চাইনাগা মুক্নবা লৈবাকশিংগী অৱাংবা থাক্কী লৈঙাকশিং ওলিম্পিক অসিদা য়েংবা লাকপীয়ু হায়না চেবাউ পীরক্লবা ফাওবা লাকখিদবনা অয়াম্বনি হায়না পাউচেশিংদা ইনরকখি।

চাইনাগী ঈ-পাউশিংদা অসুম্না ইরি মদুদি মিষ্টর পুতিননা মীরৈবাক্তগী গেমস অসি য়েংবা লাক্কনি হায়না অয়াবা পীরকপা অহানবা হেদ ওফ দি ষ্টেট (Head of the State) নি। বৈজিংনা কুমজা ২০১৫দা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিনা সহর অসিবু কুমজা ২০২২দা ৱিন্টর ওলিম্পিক গেমস পাঙথোক্নবা অয়াবা পীখিবদগী গেমস অসি পাঙথোক্নবা শেম শাবা হৌরকখিবনি। মসিদা চাইনা লৈবাক্না য়াম্না চাওথোকখি মরমদি মালেম অসিদা ৱিন্টর অমসুং সম্মর ওলিম্পিক গেমস অনীমক পাঙথোকপা ঙম্বা সহর অসি বৈজিং খক্তনি। মরম অসিনা শান্নবগা মরী লৈনবা লল্লোন ইতিকশিংদা চাওখৎপগী খোঙথাং হেনগৎহল্লকই। চাইনা অসি ৱিন্টর স্পোর্টসতা থৱায় য়াওবা লৈবাক ওইরমদে। হৌখিবা চহী তরুক অসিদা চাদা ৩০০দা স্কেটিং তৌফম (Skating Rinks) হেন্না শেমখ্র। লৈবাক অসিদা হৌজিক অনৌবা SKI Resorts 250 হেন্না শারে অদুনা লৈবাক অসিদা SKI Resorts 800 শুরে।

মতাং অসিদা হুৱাঙনা হায় মদুদি উনদা স্কিগী মশান্না অসি ইনাক খুনবা মচা খক্তনা তৌরম্মী। লৈবাক্কী ফম্নাইবশিং অমদি লল্লোন ইতিক তৌবনা মখোয়গী মশান্ননি হায়না লৌনরম্মী। লায়রবশিংনা মশান্না অসিদা শরুক য়াবা ঙম্বগী খোঙথাং লৈরমদে। এরোনা হুৱাঙনা হায় মদুদি মশান্না অসি ইনাকখুনবশিংগীদমক্তা ওইরম্মী অদুনা লায়রবা মীচমশিংগী ওইনদি মঙ মঙবগুম্বনি। এরোনা হুৱাংনা অসুম্নসু ফোঙদোকই হায় মদুদি মহাক্না থবক তৌরিবা ফার্ম অদুদা চহীগী ওইনা স্কি মশান্নগী থৌরম পাঙথোকই। মদুদা মহাক্না মহাক্কী মচা অদু মমিং চনশিন্দুনা নীংথমথাদা পাঙথোকপা স্কি ৱিন্টর কেম্পতা শরুক য়াহল্লি। হৌজিক্তি কোভিদ-১৯ অসিনা মরম ওইদুনা লম য়েংবা য়াম্না লাকত্রে অমদি মখোয়দগী তানবা শেনফমসু হন্থরক্লে। গেমস অসিবু অশিন অরাং তৌবশিংনা অসুম্না হায় মদুদি য়ানকিভ দিষ্ট্রিক্টতা ঈশিং তাঙবা মরম্না বৈজিং সহরদসু ঈশিং অসি য়াম্না লিক্না শীজিন্নবা তাই। ওলিম্পিক অসিগীদমক হান্না মীয়ামদা পীরম্বা ঈশিংগী চাংদগী চাদা ১০ হেন্না দরকার লৈ। মরম অদুনা য়ানকিঙ কৌবা মফমদা উন শৌদোকহল্লগা তুংশিন্দুনা থম্মী। মসিনা চাইনাগী অৱাং নোংপোক থংবদা লৈবা প্রোভিন্স জিলিন অমদি নোংচুপ থংবদা লৈবা অরাপ্পা জিনজি য়াঙদা থোইদোক্না অকিবা লৈতে। ●

# ১৩২শুবা মপোক ডা : অম্বেদকরগী মপোক কুমওননা লাকপদা

# লেবর অমসুং পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসি– ডা : বিআর অম্বেদকার –১

- এল সোতিনকুমার -

ৱারেং অসি ইন্দিয়ান ফেদরেসন ওফ লেবরনা শিন্দুনা ১৯৪৩ গী সেপ্টেম্বর ৮দগী ১৭ ফাওবা দেল্লীদা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়ান ত্রেদ য়ুনিয়ন ৱার্কর্স ষ্টদি কেম্পকী অরোয়বা নুমিৎতা শরুক য়াখিবা মীয়াম্না ফাদর ওফ ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসন হায়না খঙনরিবা ডা : বি আর অম্বেদকারনা পীখিবা ৱারোলশিংদুনি। মহারাস্ত্রা ষ্টেট এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা ১৯৯৩ দা পুথোকখিবা ডা: বি আর অম্বেদকারগী কল্লেক্সন ৱার্কস ভোল্যুম ১০শুবগী লমায় ১০৫ দা ৱারেং অসি য়াওরি।

নুমিৎ ১০ নি চুপ্না দেল্লীদা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়ান ত্রেদ য়ুনিয়ন ৱার্কর্স ষ্টদি কেম্পকী অরোয়বা নুমিৎতা শরুক য়াবীনবা ইন্দিয়ান ফেদরেসন ওফ লেবরগী সেক্রেতরিনা ডা: বি আর অম্বেদকারদা চেবাউ পীরুবদা য়ানবা অমগী মখাদা মহাক্না চেবাউ অদু তরান্না লৌখি। লোইশিনবগী থৌরমদুদা বি আর অম্বেদকারনা অসুম্না ফোঙদোকখি মদুদি তিনবীরিবশিংগী মফমদা ঐহাক্না নোল্লুকচবগা ইরোয়ননা ৱাফম খরা থমজগে। থৌরম অসিবু শিন–লাংলিবা সেক্রেটরিনা চেবাউ পীরকপদা হিরম অনিদা ঐঙোন্দা চিংনবা ফাওখি। মদুদি অহানবদা লৈবাক্কী ওইরক্লিবা ফিভমগা মরি লৈনবা ৱাফম খরা শল্লপ্না ফোঙদোকপা য়াগদ্রা অমসুং অনিশুবদা থৌরমসিদা শরুক য়াবিরিশিংনা খঙনিংবগী ইখৌ লাংনরিবা ইন্দিয়ান ত্রেদ য়ুনিয়নিজমগা মরি লৈনবা ৱাফম খরা ফোঙদোকপদা অয়াবা পীবীগদ্রা হায়বসিনি। অদোমগী সেক্রেটরিনা ঐহাক্কী চিংনবা পুন্নমক কোকহনবিবদগী ঙসিগী থৌরমসিদা শরুক য়াবা ফংহনবিবগীদমক পুন্নমকপু থাগৎপা ফোঙদোকচরি। ইশাগী ওইনসু লৈবাক অসিগী ওইরক্লিবা লেবর ওর্গনাইজেসনগা মরী লৈনবা ৱারোল খরা মীয়ামদা ফোঙদোকচনিংবসি কুইরবা মতমদগীনি। ঐহাক্না ফোঙদোকচরিবসিগা তিনবিরিবা খঙনিং লিবদুগা চুশিন্নবা থোক্লবদি ঐহাক্কী পেনজবনি হায়না লৌজে।

ঙসিগী লোইশিনবগী থৌরম অসিগা মরি লৈননা ময়ামগী মফমদা ৱাফম খরা থমজগে। মদুদি মীওইবা খুন্নাইসিদা উবা ফংখিবা অমসুং হৌজিক হৌজিক উবা ফংনরিবা লৈঙাক্লোন মওংশিংদু মতমগী য়াওল খোঙচৎকা শাগোন্ননা খুমাঙ চাওশিল্লবা অনৌবা লৈঙাক্লোন মওং কয়া ঐখোয়না উবা ফংনরি–খঙনরি। মতম অমদা মীওই খুজোক খরনা শুপ্পা (ওটোক্রেসি) লৈঙাক্লোন চংনরম্বা অয়াম্বনা ইতিহাসতগী খঙবা ঙম্নরি। অসিগুম্লবা শুপ্লম লৈঙাক্লোনদ মীয়ামগী ইমু নাইমু তবা লিশাং শিংনা চংশিন্নরকপা অকনবা ঈহৌ খোঙজং কয়াদগী পার্লিয়ামেন্টরি দেমেক্রেসি হায়বা অনৌবা লৈঙাক্লোন মওং অমনা শিন্দোকখবা ঐখোয়না থেংনখ্রে। ঐহাক ইশাগী ওইনসু লৈঙাক্লোন মওং পুন্নমক্তগী পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসি হায়বসিনা মীওইবা খুন্নায়গী খ্বাইদগী ফবা ওইগনি হায়না খনজে। লৈঙাক্লোন মওং (লৈঙাক পথাপ) অসিনা অনৌবা চহিচাদা মীপুম খুদিংমক মনিং মখা তন্না হিংজবা ঙম্বগী মথক্তা নুংঙাই–য়াইফরবা পুন্সি মহিং ফংহনবগা ইরোয়ননা মশা মশাগী লন থুম লেপশিনজবা ঙমহল্লগনি। পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসিদা ঐখোয়না চাওনা থাজবা থল্লিবসি মরু ওইনা লৈঙাক পথাপ অসিদদি আইন শেল্লিবসি লেজিসলেচরশিং (এম পি নৎত্রগা এম এল এ) না মীয়ামগী পেন্দবা খোল্লাউশিং পুখৎকনি। লোয়ননা এগজিক্যুটিব (কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টর) শিংনসু লেজিসলেচর ফোর দি পিপল (এম পি এম এল এ) শিংগী ৱা তাগনি। লোয়ননা লেজিসলেচর অমসুং ইকজিক্যুটিভ বোদি অনীমক লৈঙাক পথাপ ৱাংমা লান্না থবক তৌদনবা জুদিসিয়ারিনা খুৎ থিংজিনবা নত্রগা য়েংশিনবগী শক্তি লৈ। মরম অসিদগী পার্লিয়ামেন্টরি দিমোক্রেসি অসি বাই দি পিপল, ফোর দি পিপল হায়না খঙনরিবনি। অদুম ওইনমক মালেমগী লৈবাক কয়ানা চংনহনবা পান্নরক্লবা পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসি চংনরকপা চহি ১০০ ফাদ্রিঙৈ মরকসিদা অসিগুম্বা লৈঙাক পাথাপ অসিবু লৈবাক খরদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকপা থেংনরিবসি য়ান্নমক ঙক্লিংঙাই ওই। য়ুরোপকী ইটালি, স্পেন, জর্মনি অমসুং রসিয়াদা পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসিগী মায়োক্তা শিংনরকপা ঐখোয়না থেংনখ্রে। অদুম ওইনমক মালেমগী লৈবাক কয়াদা অসিগুম্লবা লৈঙাক পাথাপসি য়ানিংদবা উৎনবদি তাঙনা থেংনরি হায়বদি মশিং য়ামদে। মতাং অসিদা পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসি য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লিবসি করি মরমদগীনো হায়বদু মচা খায়না নৈনহৌবা চুমগনি খনজে। হিরম অসিগী মতাংদা ঐখোয়গী ইন্দিয়া খক নত্তনা মালেমগী লৈবাক অমত্তনা অথুবগী ওইনা খন্ন–নৈনবদি তৌখিদ্রি। লৈবাক অসিদা পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসি চংনহন্নবগী য়াশিন্নবা অমা পুরক্নবা হোৎনরিঙৈ তনফম অমদা মথৌনা মরিংজেল লৈরবা মীওই খরনা পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসিদগী চেকশিন্নবা লান্না পাউথোকপা হৌরক্লি। মীয়াম্না চাওনা থাজবা থন্নরিবা অনৌবা লৈঙাক পথাপ মওং অসিনা মীয়ামনা থাজবা থন্নরিবা অনিংবা অপাম্বশিং ফংহনবা ওইথোক্লোই হায়নবসু য়াওরি। মতাং অসিদা পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসি করন্না ফেল ওইরকখিবনো হায়বসিগী মরম খরা মীয়ামগী মফমদা থমজগে। পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসি শিথরক্লিবসি দিক্টেটরসিপ লৈঙাক লৈবা লৈবাকশিংদনি। মসিগী মরমদি লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা মেছিনরিশিং খোঙজেল তপথরকপদগী মীচম মীয়ামগী য়াইফ – থৌরাংশিং মতম চানা পাঙথোকপা ঙমহন্দে। তঙাইফদবা থবকশিং খোঙলৈ থুনা পায়খৎপা ঙল্লক্তে। নাকল অমরোমদা পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসি চংনরিবা লৈবাকশিংদদি লৈঙাক থৌদাং মায়পুনরিবা এগজিক্যুটিভ বোদি (কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টর) না পাস তৌনবা পুখৎলকপা অনৌবা আইন নৎত্রগা বিল অদু মীয়ামদা শোকহনগদবা ওইরবদি লেজিসলেচর (এম পি নৎত্রগা এম এল এ) শিংনা থিংবা ঙম্বগী শক্তি লৈ। অদুগা লেজিসলেচর এগজিক্যুটিভ বোদিনা পাস তৌনবা পুখৎলকপা অনৌবা আইনদু থিংদ্রবসু লৈঙাক পথাপকী ৱাংমদা মখোয়না ওইরবদি জুদিসিয়ারিনা থিংবা ঙম্মী। পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসিদা দিক্টেটরসিপ লৈঙাক্লুম্না লৈঙাক্লোয়শিংনা তৌনিংবদা তৌবগী শক্তি পীদে। মরম অসিদগীনি দিক্টেটরসিপ লৈঙাক ইটালি, স্পেন অমসুং জর্মনিদা ইন্সটিট্যুসন পুন্নমক লৈঙাক্না শুপচিল্লিবদু। দিক্টেটরসিপ লৈঙাক লৈবা লৈবাক খক্তনা পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসি য়ানিংদবা ওইরবদি থোয়দোক্না অকায়বা লৈরোয়। মখোয়না পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসি থাজবা থমদ্রিবদু লৈবাক পুন্নমক্কী থাজবনি হায়না লৌবসু য়ারোই। মসিগী ওন্ন–তৈনবদা দিক্টেটরসিপ লৈঙাক্তা খুৎ থিংজিনবা ঙম্বগীদমক পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসিবু শৌগৎফম থোকই। লাইবক থিবদি দিক্টেটরসিপ লৈঙাক য়ানিংদবা লৈবাক কয়াদা পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসি য়ানিংদবা ফোঙদোক্নরকপসু ঐখোয়না থেংনরিবসিনি। মসিদি পুন্নমক্না নিন্দা তৌফম থোকই। মরমদি লৈবাক কয়ানা পান্না চংনহল্লিবা পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসি অসি হৌজিকফাওবা মালেমগী লৈমায়দগী মুৎখিবা লৈত্রি। অহোয়নদুম পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসি অসি মায়কৈ অহুমদা খুমাঙ চাওশিল্লকপা থেংনরি। লৈঙাক পথাপ অসিগী মখাদা মীপুম খুদিংনা পোলিটিকেল রাইটসকী খুদোংচাবশিং পাক শন্না ফংহনবগী মথক্তা পুন্নমকপু মান্নবা হক ফংহল্লি। পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসি চংনরিবা লৈবাকশিংদা অকক্নবা চহি তাঙ্কক্তা লৈবশিং ভোট থাদবা য়াবগী হক পীবা মশিং য়াল্লক্ত্রবনি। হায়বদি চহী ১৮ শুরবশিং ভোট থাদবা য়াহনবা লৈবাক মশিং লেপ্তুনা হেঙ্গৎলক্লে। লৈঙাক্লোন অসিগী মখাদা পুন্নমকপু সোসিয়েল অমসুং ইকনোমিক ওপোরচ্যুনিতিগী খুদোংচাবা পীরি। অহুমশুবদা লৈবাক অমবু এন্টি সোসিয়েল ওইবা শক্তি লৈবা মীওই খরগী অনিংবা অপাম্বা মখাদা অনৌবা লৈঙাক শেম্বা য়াহনদে। অসিগুম্বসি লৈনা লৈনা দেমোক্রেসিদা থাজবা থম্বা লৈবাক খরনা পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসিবু পেন্দবা নৎত্রগা য়ানিংদবা ফোঙদোক্নরকপা থেংনরিবসি দিক্টেটরসিপ লৈঙাক লৈবাক লৈবাকশিংগা খেন্নবা লৈবদগীনি।

হিরম অসিগী মতাংদা ঐহাক্না মতম শাংনা লৌবা পামজদে। অদুম ওইনমক চাওয়েং ওইনা য়েংবদদি পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসি য়ানিংদবা ফোঙদোক্নরক্লিবসি মীয়ামগী ফংফম থোক্নবা মান্নবা হকশিং ফংহল্লক্তবা, নিংতম্না হিংবা অমসুং নুংঙাই য়াইফনা হিংনবা লন্নায়গী লন–থুম লেপশিনবা য়াহল্লক্তবা অসিদগী ওইগনি হায়না ঐহাক্না ফাওজে। ৱাফম অসিনা অচুম্বা ওইরবদি পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসি শিথরকপগী অশেংবা মরি মখোংশিং খঙবা ঙমগনি। পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসি শিথরকপগী মরমসি অরানবা ইদিওলোজি নৎত্রগা অরানবা মথোংচাদবা ওর্গনাইজেসন নৎত্রগা মথক্কী অনিসিদগী ওইবসু য়াই।

ঐ ইশানসু মরম অনিসিদগী ওইগনি হায়না লৌজে। অরানবা ইদিওলোজিদগী পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসি লৈখা তারকপগী মরমদা ঐহাক্না মীৎয়েং অনিদা ময়ামগী মফমদা থমজগে। লৈবাক খরদা পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসি লৈখা তারকপা থেংনরিবসি মীয়ামদা পীরিবা নিংতম্না হিংনবা হকশিং মৎলকপা অমদি অতৈ হক কয়াদা অথিংবা থল্লকপদগী মান্নবা হক হায়বদুগী কান্নবশিং মপুং ফানা ফংলক্তবগী ওইগনি হায়না ঐহাক্না চিংনবা লৈতনা হায়জরি। মসিদগী মীয়ামদা ইকানোমিক ইক্কেলিতি লায়রবা অমসুং ইনাক খুনবা অনিগী শেঙ্গোক লম্বী খেন্নরকপা থোকহল্লকপগা ইরোয়ননা ফ্রিদম ওফ এক্সপ্রেসন অমসুং ফ্রিদম ওফ পোলিটিকেল পার্টিজদা অথিংবা থল্লকপদগী মীপুম খুদিংমক থোং মান্ননা হিংমিন্নবগী মংলান অরেম্বা তাহল্লকই। অরানবা থৌশিল অসিদগী মশিং য়াল্লবা লায়রবা অমদি মতু শোন্না হিংনবা হোৎনরিবা তোঙান তোঙানবা কাংলুপ কয়াগী ইমুংশিং শেঙ্গোক হন্থহল্লকই। লায়রবা অমসুং ইনাক খুনবা অনিগী মরি লাপথোকহল্লকই। অনিশুবদা অরানবা ইদিওলোজিদগী পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসি শিথহল্লক্লিবসি লৈঙাক শক্তি পায়রিবশিংনা সোসিয়েল অমসুং ইকনোমিক দেমোক্রেসি মপাঙ্গল কনহন্দনা পোলিতিকেল দেমোক্রেসি মপুং ফাহন্দে হায়বদু মমুৎ তানা খঙবা ৱাৎপদগীনি। হিরমসিগী মতাং তিনবিরিবশিংদগী কনাগুম্বা খরনা ৱাহং পুখৎনিংলমগনি। অদুমক ওইনমক ময়াম্না হংনিংলিবা ৱাহংদুগী ওন্ন–তৈনবদা ঐহাক্না অতোপ্পা ৱাহং অমা পুখৎচগে। মদুদি ইটালি, জর্মনি অমসুং রসিয়াদা পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসি অসি য়াম্না থুনা শিথরগা করিদগী ইংলেন্দ অমসুং য়ু এস এতনা হৌজিক ফাওবা লৈঙাক পথাপ অসি চৎনরিবনো হায়বসিনি। ৱাহংসিগী পাউখুম অমখক লৈগনি, মদুদি অকোনবগী ইংলেন্দ অমসুং য়ু এস এদা সোসিয়েল অমসুং পোলিতিকেল দেমোক্রেসিগী থাক য়াম্না ৱাংবা হেল্লি। অদুগা অহানবগী লৈবাক অহুমসিদনা সোসিয়েল অমসুং পোলিতিকেল দেমোক্রেসিগী থাক য়াম্না নেম্বননি। সোসিয়েল অমসুং ইকানোমিক দেমোক্রেসি হায়বসি পোলিতিকেল দেমোক্রেসিগী শক্তি অমদি মগুণ হাপ্লিবা তিশু অমসুং লংলানি। তিশু অমসুং লংলা অনিসি মপাঙ্গল কলহল্লিবমখৈ ঐখোয়না খঙনরিবা পুন্নমকপু মান্নবা হক ফংহল্লিবা দেমোক্রেসি হায়বসিগী মগুণ হেনগৎহনগনি। পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসি হায়নরিবা অসিসু হায়রিবা তিশু অমসুং লংলা অনিসিদগী য়ুম্ফম ওইরগা শেমগৎলকপনি। দেমোক্রেসি হায়বসিদি পুন্নমকপু মান্নবা মীৎয়েং থম্বা অমনি। পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসি অসিসু পুন্নমকপু নিংখা তন্না হিংবা ঙম্নবা শেমগৎলকপা অনৌবা লৈঙাক পথাপ অমনি। লৈঙাক পথাপ অসি শেমগৎলকপদা পুন্নমকপু মান্নবা হক ফংহন্নবা খঙহনখিবা লৈখিদে। লোয়ননা মীপুম খুদিংমক চপ মান্নবা হক পীবগী কান্নবশিং শেংনা খঙবা ঙমদবগা ইরোয়ননা লিবর্তি অমসুং ইক্কেলিতি অনিমক মান্নবা খল অমদা থন্নবা ৱাৎখবদগী লিবর্তি হায়বসিনা ইক্কেলিতি য়োৎশিনখিবদগী মীগা মীগগী মরক্তা থোং মান্নদবা পাকথোক চাওথোকহল্লকই। অশোয়বা অরানবা হায়বদু উরকপদগী পুন্নমক্কী য়াইফগদবা য়েংলগা পুন্নমক্না য়ানগদবা মওংদা মপুং ফারবা পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসিগী চৎন–পথাপশিং শেমগৎলকখিবনি।

## ষ্টেটকী পাউ

### 'নেতাজি সুভাসচন্দ্রা বোসনা লৌরম্বা থৌদাংশিং নীংশিংসি'



ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচ এন এস): ঐখোয়না নেতাজি সুভাসচন্দ্রা বোসনা লৌরম্বা থৌদাং অমদি ৱাখল্লোনশিং ঙসিগী মীরোলনা মতুং ইন্নবা হোৎনবা চুমগনি হায়না ভারটি মুখর্জি, নেসনল সেক্রেটরিনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউজী মীফমদা ভার্তিয়া মুখর্জিনা মখা তানা হায়, ১২৫ শুবা বার্থ এনিভর্সরি সেলেব্রেসন কম্মিটি নোর্থ ইষ্ট রিজনগী মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিনা শিন্দুনা থা অসিগী ১৪ দা মোইরাংগী আই এন এদা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিদা লমদম অসিগী মীয়াম্না পুন্না শরুক য়ামিন্নসি।

নেতাজি সুভাসচন্দ্রা বোসনা বৃটিশকা মায়োক্নবা লানফমদা লৌখিবা থৌদাংশিংবু শিংথাদুনা ৱাফম কয়াসু মীয়ামদা পাউদমখি। ঐখোয়না মরৈবাক মরমদমগীদমক নেতাজি সুভাসচন্দ্রা বোসনা লৌরম্বা থৌদাং অমদি ৱাখল্লোনশিং অসি ঙসিগী মীরোলনা মতুং ইন্নবা হোৎনবনা চুমগনি। নেতাজি সুভাসচন্দ্রা বোসকী কম্মিটি অসি পোলিটিকেল পার্টি অমদি এন জি ও নত্তে। মসিদি ৱাখল্লোন মান্নবা ময়াম পুনশিন্দুনা শেম্বা ওল ইন্দিয়া কম্মিটিনি হায়খি।

পাউজী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা নেতাজি সুভাসচন্দ্রা বোসকী ১২৫ শুবা বার্থ এনিভর্সরি সেলেব্রেসন কম্মিটি মণিপুরগী ট্রেজরর অমদি মিদিয়া কো-ওর্দিনেটরসু ওইরিবা ডা. কিরন য়েন্দ্রেম্বমনা ফোঙদোকখিবদা, হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা সেলেব্রেসন অসিগা মরী লৈননা সিলচরদগী মীওই ৩৫ না শাবা মোটোর বাইক রেল্লি অমসু বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মোইরাং আই এন এদা হৈকৎ লৈকৎ তম্বা লাক্কনি হায়খি।

### কোওর্দিনেসন কনফরেন্স ওন ষ্টেট লেভেল মোক এক্সরসাইজ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচ এন এস): দিপার্টমেন্ট ওফ রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্টনা নেসনল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিগা খুৎশম্নরগা ষ্টেট লেভেল মোক এক্সরসাইজকী মতাংদা কোওর্দিনেসন কনফরেন্স অমা পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দি সীগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা কোওর্দিনেসন কনফরেন্স অদুগা মরী লৈননা কনফরেন্স অসিগী কোওর্দিনেটর চন্দ্রসেখরনা ফোঙদোকখিবদা, থা অসিগী ১৯ অমসুং ২১ দা পাঙথোক্কদৌরিবা টেবল টোপ এক্সরসাইজ অমসুং ফিজিকেল মোক এক্সরসাইজ অসিগা মরী লৈননা ঙসিগী কনফরেন্স অসি পাঙথোকপনি। ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা মরী লৈনবা ওফিসলশিংগা লোয়ননা ঙসিগী প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি। কনফরেন্স অসিদা এন দি এম এগী সিনিয়র কন্সলটেন্টসু ওইরিবা রিটয়র্দ আর্মী জেনরেল সুধির ভেলনা মরুওইবা ৱাঙাংলোয় ওইনা শরুক য়ারি। মহাক্না আর্থক্কেক সিনরিয়ো অমদি মসিগা মরী লৈননা থৌদোকশিংগা মরী লৈননা পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরমশিং কনফরেন্স অসিদা শরুক য়ারিবশিংদা খঙহনগনি। অমরোমদা লমদম অসি সিসমিক জোন ৫ তা লৈবনা মরম ওইরগা মতম অমদা হেক্তা য়ুহা হারকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈবনা অসিগুম্বা মখলগী এক্সরসাইজশিং অসি পাঙথোকপা মথৌ তাই হায়খি।

### জেনিমসতা মীওই ২৮ না ঈ পীখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচ এন এস): পোরোম্পাৎ জেনিমস হোস্পিটালদা এম বি বি এস অহুমশুবা সেমিষ্টর তম্লিবা হৈরোক পার্ট-২দগী নিংথৌজম দিনেস এলাইজ নোংদারেলগী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি, য়ুথ ওর্গনাইজেসন ওফ য়ুটিলিজম টু হেল্থ (য়ুথ) অমদি সর্ভিস ফোর হ্যুমেনিটি হৈরোকনা শিন্দুনা ঈ পীবগী থৌরম অমা ঙসি জেনিমস ব্লদ বেঙ্কতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি ইম্ফাল ৱেষ্টকী চেয়রমেন ডা. ফোইজম অরুনকুমারনা হায়, মীওইবগী হকচাংদা চেল্লিবা ঈ অসি মশা মথন্তা মাঙজখিবা মরম্না চহী ১৮ দগীনা ৬০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিংনা ঈ পীদুনা মীওইবগী পুন্সি কন্নবা হোৎনমিন্নসি। ঐখোয়গী হকচাংদা য়াওরিবা ঈ অসি কৈথেলদা হেক্তা ফংবা পোৎশক নত্তবনা মীয়াম্না ঈ পীবগী হৈনবী লৈত্রগদি মীওইবগী পুন্সি কয়া মাঙখিবা য়াই।

থৌরম অদুদা জেনিমসতা এম বি বি এসতা তম্লিবা এন দিনেসনা মপোক নুমিত্তা নহাশিংনা য়াল্লবা শেনফমশিং মাঙহনবগী মহুত্তা খুন্নাইদা কান্নবা পীবা থবক ওইনা তৌসি হায়খি।

/ ইশ্বোল অমা য়োঞ্জরি

অথুবগী ওইনা পোইন্ট ১১গী ইশ্বোল অমা, Kongpal Kongkham Leikai near TV Tower দা য়োঞ্জরি। পান্বীবা মীওইশিংনা মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকপা য়াগনি।

Contact No. 7005930272
7005890460

HL-P/2052/13

/ খঙহঞ্জবা

Tai Lai Association, Awang Sekmai না শীঞ্জদুনা হৌখিবা April থাগী তাং ৬ অমসুং ৭, ২০২২ দা "International Tai Convention" অমা মায় পাক্না পাঙথোকখি। হায়রিবা convention অসিদা Tai Khamti, Tai Ahom, Tai Phake, Tai Turung, Tai Aiton, Tai Khamyang অমসুং Tai Lai গী মীওই ৩০০ মুক শরুক য়াখি। Convention পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা "Background of Tai" হায়বা চেরোল অমা কনাগুম্বা মীওই খরনা য়েন্থোকখি। চেরোল অদু Tai Lai Association দা খঙহল্লম্বসু লৈতে অদুগা Association অসিনা চৎনবগী অয়াবা পীখিবসু লৈতে। মতুংদা Tai Lai Association বু মিংচৎ থীনবা হোৎনবীরক্কনু হায়জরি।

Sd/- **President**
Tai Lai Association

HL-P/2252/13

/ অৱাব ফোঙদোকপা



সনামহী লাইনিংকোন শঙলেন্ (সনাকোন), ইম্ফালগী লুপলোই ওইবিরম্বা অকোইজম হেন্থোইবা (সোমোর্জিৎ) অঙোম্না মনুং মতম চাদনা চৈচৎ ৯/৪/২০২২ কুমজা, থাংজ নুমিত্তা লৈখিদবগী অৱাব ফোঙদোকপা মীফম অমা চৈচৎ ১২/৪/২০২২দা মোইরাংচা সোইবম ইবোতোম্বী লুপসিগী য়াইতোংবা, সগোলবন্দ থাংজম লৈরক্তা লৈবগী য়ূমদা পাঙথোকখি। লৈখিদবগী য়াইবী থৱায়না লাইরমলেন্দা ঈংনা-চিক্না লৈরুনবা ঙসিগী মীফম্না মিনিৎ অনী তুমিন্না লেপ্তুনা তাইবং মপুগী মফমদা থৌনিজখি, লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি।

ইম্ফাল,
চৈচৎ : ১২/০৪/২০২২
অৱাবা ফোঙদোকচরিবা :- **সৌবাম ইনুংয়াই লুৱাং থৌবুরেল**
**সনামহী লাইনিংকোন, ইম্ফাল**

HL-P/2241/13

**HONDA ACTIVA 6G STD LOST**

My Honda Activa 6G STD, Blue in colour bearing Regn. no. MN06SD-9650 having E/No. JF91ED0067132 & Chassis no. ME4JF913HLD067900, Registered name Ksh. Dayabati was parked near General Post Office, Imphal Opposite to CM Western Gate, about 100m North East on 12/03/2022 at around 11.20 am. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Kshetrimayum Dayabati Devi**
Tera Sapam Leirak Nongmaithem Leikai,
# 8800336054

HL-P/2255/13

/ ইশ্বোল য়োঞ্জরি

মোরেদা ইশ্বোল অমা য়োঞ্জরি। মফম্না সোরোক্না তাইনবা, RCC ফেন্সিং সাইদ অহুম তৌবা ফাইচামভেং ৱার্ড নম্বর ৩ Near By LIC Office, চাওবনা পোইন্ট ১৬নি। পাম্বীবশিংনা মখাগী কন্টেক্ট নম্বরসিদা কন্টেক্ট তৌবীরকউ।

HL-P/2053/13,14
# 9863095250

থবক কৌজরি / EMPLOYMENT NEWS

মশাগী চহী ১৮দগী ৪০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নহা নুপা অমদি নুপীশিংনা Apply তৌবীবা য়াগনি। ফমশিং অদুদি- Security, Driver, Helper (M/F) হায়রিবা ফমশিং অসি অথুবগী ওইনা কৌজবনি। Gunman গী তলপ 10,000 দগী হৌজগনি। Cook, Chowkidar, Gardener, Warden, Reception and Office Staff মশাগী Aadhaar Card অমসুং Educational Qualification document support তৌবীরকউ।

Sd/- **Social Security Guard**
Uripok Laikhurembi
# 7629835413
6009600647

HL-P/2251/13